**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21.6.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২১-০৬-২০২৪, ইরাই)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মনিপুরগী মীয়াম অমসুং মনিপুর সরকার তান্নরমদনা খক তৌরোই।

২) লৈবাক কনগনি হায়না থোরক্লিবশিংনা শেল খায়বরোমদা হেন্না মায় ওনশিল্লকপা তোকবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা আপিল তৌরি।

৩) মালেমগী ১০ শুবা যোগা নুমিৎ পালন ঙসি লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।।

৪) প্রসার ভারতিগী চিয়রমেন নবনিট কুমার সেহগলনা হায়রি- অকাশবানিগী পাউ অসি লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চুম্বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউশিংগী মনুংদা মাংজিল থাবা অমা ওইরি।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা জম্মু কাস্মীরদা মালেমগী যোগা নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**সি.এম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মনিপুরগী মীয়াম অমসুং মনিপুর সরকার তান্নরমদনা খক তৌরোই। ৱাথোক অসি কাংলুপ অনিগী মরক্তা চুমগী খৎনবা ওইনা লৌরব্রা হায়না খল্লম্বা অদু কেন্দ্র সরকারনা মায়েক শেংনা খঙলি হায়বসি ঙরাং য়ুনাইতেদ নেসন্সগী মীফমদা ভারত্কী মীহুৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম - ৱাথোক অসি মীরৈবাক্তগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং অমদি দ্রগকা মরী লৈনৈ হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না মায়েক শেংনা ফোংদোক্লে।

ইম্ফালদা ঙসি মালেমগী যোগগি নুমিৎ পালন থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মহাক্কী মখাদা লৈবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং কৌদুনা ৱারি শান্নবদা মুখ্য মন্ত্রি য়াওহন্দে হায়না ৱারৌফম থোক্তে। মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী মতাংদা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদগী রিপোর্ট কৌদুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা মখা তানা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা খন্নবনি। মহাক মশাগসু গৃহ মন্ত্রিগা ঙাইহাক লৈতনা পাউ ফাওনদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরি। মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি কেন্দ্রগী অনৌবা সরকার অসিনা য়ামা লুমা লৌদুনা অহানবা নুমিৎ ১০০ নিদা পাঙথোক্কদবা থবকশীংগী মনুংদা য়াওহনবা মরমনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং কৌদুনা ৱারি শাবনি। মসিগী মতাংদা অরানবা ৱাফমশিং ফোংদোকপগী মহুত্তা খোংথাং অসিগীদমক থাগৎফম থোকই।

শ্রী বিরেননা হায়- হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অসি মতম কুইরক্লবা য়ামা অরুবা লায়না অমগুম্বনি। মরম অদুনা ৱাথোক অসি হাথু হাথুনা হেক্তমক লোইশিনবা ওইথোক্লোই । লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক খরা হেন্না কুপ্সা খন্না নৈনদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবা তঙাই ফদে।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা মঙোনদা শাউদুনা চৈরিবশিং অসি নোংমদি শোইদনা কপ্লকখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

## --সাউন্দ সি.এম ১--

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক কনগনি হায়না থোরক্লিবশিংনা শেল খায়বরোমদা হেন্না মায় ওনশিল্লক্কুনা মীফা মীপুন ফাওবা য়াওরকপদগী মদুবু লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থবক লৌখৎলকপনি। মখোয়গী থবক থৌরমশিং তোকখ্রবদি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ফাবা পুনবা তৌরিবশিং মথন্তা তোকখিগনি। মহাকা হায়-

## --সাউন্দ সি.এম ২--

কা হেন্না ফজদবা ৱাঙাং শঙাং শিজিন্নবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মহাক মশামক পাউমী অমা ওইনা, এক্তিভিস্ত অমা ওইনা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাক্লি। মতম অদুদা থেংনখিবা নুপী লুচিংবশিংগী ৱাঙাং শঙাং অমদি থবক তৌবগী মওংশিং য়ামা থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা নুপী খরদি কা হেন্না ফজদবা ৱাঙাং শঙাং শিজিন্নবা থেংনরে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি খরা খন্থবা চুমগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

জিরিবামগী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- জিলা অদুদা লৈরিবা মীয়াম শান্তি ওইনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা পাল্লি। অদুবু অতোপ্পা মফমশিংদগী চংশিল্লকপা অরানবা তৌবা মীওইশিংনা কীহন খঙহন্দুনা মফম অদুগী শান্তি থুগাইনবা হোৎনবনি। হন্দক্কী ইরাং অদুদা য়ুম মৈ চাকখ্রবশিংগীদমক নৌনা য়ুম শান্নবা সরকারনা থবক লৌখৎলে। মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা ফীভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনরি।

দি.এম য়ুনিভার্সিতিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীখলগী কোদ এফ কন্দক লৈবদগী ভি.সি হাপ্পা ঙমদনা লৈরকপা অদু অথুবা মতমদা হাপনবা হোৎনরি।

**যোগা (এল)ঃ** মালেমগী যোগা নুমিৎ পালন ঙসি মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি। মপুং ওইবা থৌরম মনিপুর ষ্টেট এন.এস.এস সেলনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা মন্ত্রিশিং ,এম.এল.এশিং অমদি মীয়ামা শরুক য়াদুনা যোগাগী অসনশিং পাঙথোকখি।

যোগা ফোর সেল্ফ এন্দ সোসাইতি হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- যোগা অসি ভারতনা মালেমগী মীয়ামদা খুদোল তৌবা, য়ামা কান্নরবা মশান্না অমনি। যোগা শান্নবনা হকচাং ফনা থম্বতা নত্তনা পুকিং ৱাখলদসু নুংঙাইনা লৈহল্লি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কন্না হোৎনদুনা যোগাবু মালেমগী থাক্তা পুখৎখ্রবগী মতুংদা ঙসিগী লৈবাক অসিদসু লেপ্পা লৈতনা চাউখৎলক্তুনা মনিপুরদসু স্কুল কলেজশিংগী সেলেবসতা হাপ্তুনা যোগা শান্নবা হৌরে।

--**সাউন্দ সি.এম -যোগা**--

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতসু ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননা শিন্দুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা দি.সি কমপ্লেক্সতা মালেমগী যোগগি নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মীস্নর খুমন্থেম দাইননা হায়-যোগনা মীওইবা অমসুং মহৌশাগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না নকশিলহনবতা নত্তনা হকচাং ফনা থম্বদা চাউনা মতেং পাংলি। মীপুম খুদিংমকা যোগা শান্নদুনা হকচাং ফনা থমবা হোৎনরসি হায়নসু দিপ্যুতি কম্মীস্নরনা আপিল তৌখি।

--**সাউন্দ দাইনা**--

বি.জে.পি মনিপুর প্রদেশনসু ঙসি মালেমগী যোগা নুমিৎ পালন ইম্ফালগী অসিগী দলগী থম্বাল শঙলেন্দা পাঙথোকখি।

লম্লাই কেন্দ্রগী ওইনসু কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ খোংবানতাবম ইবোমচাগী নোমাদাদা লৈবা য়ুমদা ঙসি মালেমগী যোগগি নুমিৎ পালন পাঙথোকখি।

নেসনেল আইয়ুস মীসন মনিপুরনা শীন্দুনা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইন্তিগ্রেতেট আইয়ুস হোস্পিতালদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা আইয়ুসকী দিরেক্তর ডা:অকোয়জম লোকেন্দ্রোনা লুচিংদুনা ষ্টাফশিংনা যোগগী অসনশিং পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ তেরা অমুদোনদা লৈবা লাইনিংথৌ অমুদোন যোগা সেন্তরনা শীন্দুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা যোগগী অসনশিং উৎপগা লোয়ননা অখঙ অহৈশিংনা যোগনা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা ফোংদোকখি।

ইন্দিয়ন আর্মি পরসনেল স্পিয়র কোরনা শীন্দুনা ঙসি মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি। সি.আর.পি.এফকী ৮৬ শুবা বত্তালয়িননা শিন্দুনা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা বত্তালিয়ন অসিগী কমপ্লেক্সতা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসনসু শিন্দুনা ঙসি তামেংলোং, নোনে, সেনাপতি অমসুং কাংপোকপী জিলাশিংদা মালেমগী যোগগি নুমিৎ পালন পাঙথোকখি।

মালেমগী যোগা নুমিৎ পালন ঙসি পাঙ্গৈদা লৈবা মনিপুর পুলিস ত্রেনিং কলেজতসু পাঙথোকখি। শীংজমৈ চীংঙামখা হায়স্কুলদসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী সেনিয়র সিটিজেন্স সোসাইতিনা শিন্দুনা পাঙ্গৈ কম্যুনিতি হোলদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং খুনৌ প্রাইমরি হেলথ সেন্তর পি.ঐচ.সিগী দোক্তর য়াওনা লৈরিবা অৱাৎ অপাশিং অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্তগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা মেনশিন্নবা হোৎনরগনি হায়না নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর ডা: সুমোজিট নিংঙোম্বমনা ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি ককচিং খুনৌদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা যোগা নুমিৎকী থৌরমদা মহাকা ফোংদোকখিবনি।

--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**অকাশবানিঃ** প্রসার ভারতিগী চিয়রমেন নবনিট কুমার সেহগলনা হায়রি- অকাশবানিগী পাউ অসি লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চুম্বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউশিংগী মনুংদা মাংজিল থাবা অমা ওইরি। ন্যু দিল্লিগী অকাশবানি কমপ্লেক্সতা মালেমগী যোগা নুমিৎ পালনদা শরুক য়ারদুনা শ্রী সেহগলনা হায়- ৱাফম অসি রিটরসনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা সার্ভে অমদসু ময়েক শেংনা ফোংদোক্লি। রিটরসনা ইং ২০২৪ গী ওইনা পুথোকপা দিজিতেল নিউজ রিপোর্টতা অকাশবানিগী পাউ অসি অতৈ মেদিয়াশিংগা চংদমবদা খ্বাইদগী চুম্বা পাউ পীবনি হায়রি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** নেসনেল ইলিজিব্লিতি কম এন্ত্রান্স তেস্ত নিট অন্দর গ্রেজ্য়েট ২০২৪ দা অরানবা থৌওং কয়া চথখি হায়না য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে। মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কর্ম্মীতিনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ৱাকৎ মীফম অদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত কে.মেঘাচন্দ্র , সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবি অমসুং ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী এম.পি ডা: অঙোমচা বিমোল একোয়জম য়াওনা কংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

**কমপ্লেন্ট (এল)ঃ** ফার্ষ্ট্র এম.আরদা আর্মী থমজিনখ্রে, বঙ্কর শাজিনখ্রে হায়বগী মতাংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা অরানবা পোস্ত অমা থাগৎলক্লিবা অদুগী মতাংদা এসিস্তেন্ত কম্মান্দেন্ত ৱাই দত্তা সেন সিংহনা সাইবর ক্রাইমগী এস.পিদা এক্সন লৌখৎপিনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। হায়রিবা অরানবা পাউ অসিনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা শান্তি রক্সাগী ফীভম ইম্ফালগী জাগা খরদা অকায়বা লাকপা য়াই হায়না খনবদগী খোংথাং অসি পায়খৎপনি ।

**মোইরাং (এল) ঃ** মোইরাং মল্টি পরপজ হায়র সেকেন্দ্ররি স্কুলদা ঙসি ভন ধন বিকাস কেন্দ্রগী মতাংদা জিলা থাক্কী খন্না নৈনবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু বিষ্ণুপুর ফোরেস্ত দিভিজননা শিনবনি।

**ধর্না(এল)ঃ** ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসি চৈরাক কোট মমাংদা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুনা মপুং ওইনা তাল্লিবা দাবীশিংগী মনুংদা - মীচম মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন্থুম ঙাকশেল্লু, লাঞ্জেন্নরকপশিং হান্নগুমা খন্দা লৈতাহল্লু, খুন ঙাকচারিবা ভোলুন্তিয়রশিং ফাবা য়ারোই অমসুং আইনবু ইকায় খুমনৌ হায়বনচিংবা য়াওরি।

**চেং (এল)ঃ**তেন্থাগী মীয়ামা সরকারনা পীবা চেং ফংদবা, থা ৭ লোম শুরে হায়দুনা, মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবিনবা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি। ৱাফম অসি ঙসি থৌবালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা তেন্থাগী নুপী লুচিংবীশিংনা ফোংদোকখিবনি।

**জিরি(এল)ঃ** জিরিবামগী মফম কয়াদা খুন্দারিবা রোংমৈ কাংলুপকী নুপীশিংনা ঙসি জিরিবামগী বিদ্যানাগর মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবি রোংমৈ নুপী লুচিংবিশিংনা মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকহন্নীংবগী অপান্বা ফোংদোকখি।

**রেদক্রোস(এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু মশা মউ ফনা লৈনবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা ফ্রি লিভর ফিব্রো স্কেন স্ক্রিনিং হেলথ চেকঅপ অমা জাইদস, ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রঞ্চ অমসুং চায়াতপ ফাউন্দেসন ভারত বিকাস পরিষদকা খুৎশমদুনা ঙসি নিংথৌখোংগী মঙ্গোলঙানবি কলেজতা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে।

**এৱার্নেস(এল)ঃ** মায়াই কাবা চিঙ্গাক লৈতবা ভারত অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা ঙসি কোইরেঙ্গৈদা লৈবা মারিয়া মোন্তেস্বারি স্কুলদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু নার্কোতিক্স কন্ত্রোল বিউরো জোনেল য়ুনিট ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি।

**সনামহি(এল)ঃ** চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম সনামহি চেং হোংবগী থৌরম হয়েং হয়িংখোংবাল উফোং য়ুমফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী লাইশঙদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

**কামজোং (এল)ঃ** কামজোং জিলাগী ওইনা য়ু.পি.এস.ই- সি.এস.ই ২০২৪ গা মরী লৈননা সরকারদগী এলাউৱেন্স লৌন্নবা দরখাস পীশিল্লকপগী মতম থা অসিগী ২৫ ফাওবনি হায়রি।

কামজোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরদা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মরী লৈনবা কেন্দিদেদশিংনা হায়রিবা মতম অসিগী ফাওবগী মনুংদা নোদেল ওফিসরসু ওইরিবী হোমগী জোইন্ত সেক্রেটরিদা দরখাস পীশিল্লক্কদবনি।

**ব্লদ(এল)ঃ** জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা মেঘা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি থৌবাল ব্রাঞ্চ অমসুং কাউন্সিল ফোর এদভান্সমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্তগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি । মদুদা মীওই ৬২ না ঈ-দান তৌখি।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** শীংজমৈ ওইনাম থীংঙেলদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিবতিন বোইজ সোকর টুরনামেন্তকা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা উরিপোক এফ.সি অমসুং শীংজমৈ চীংঙামখা হায়স্কুল পঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা অতিংঙা এফ.সি-থোংজ্না এফ.সি.বি থোংজবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখ্রে।

**কাং(এল)** ঃ অহানবা ককচিংতবম কুঞ্জবিহাররি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাঙ্গোই কাংখুৎনা পুথিবা কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-৭ তা থোইখ্রে।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**পিএম ঃ** ১০ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা লৈবাক অসিদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি। জম্মু কাস্মীরগী সের -ই-কাস্মীর ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স সেন্তরদা পাঙথোকপা মপুং ওইবা থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা যোগগি অসনশিং পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জম্মু কাস্মীরগী উপ রাজ্যপাল মনোজ সিনহা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি প্রতাপ রাও গনপথ রাও যাদব য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা যোগনা মীওইবগী পুন্সিদা পীরিবা কান্নবশিং শুগাইনা ফোংদোকখি।

**সিতারমনঃ** কেন্দ্র শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমননা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ফার্মর এসোসিয়েসনশিং অমসুং এগ্রিকলচর ইকোনোমিস্তশিংগা উন্নদুনা বজেটকী মাংঙোইননা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী শেল থুমগী রাজ্য মন্ত্রি পনকাস চৌধুরি অমসুং শেল থুম মন্ত্রালয়গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মনিপুরগী মীয়াম অমসুং মনিপুর সরকার তান্নরমদনা খক তৌরোই।

২) লৈবাক কনগনি হায়না থোরক্লিবশিংনা শেল খায়বরোমদা হেন্না মায় ওনশিল্লকপা তোকবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা আপিল তৌরি।

৩) মালেমগী ১০ শুবা যোগা নুমিৎ পালন ঙসি লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।।

৪) প্রসার ভারতিগী চিয়রমেন নবনিট কুমার সেহগলনা হায়রি- অকাশবানিগী পাউ অসি লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চুম্বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউশিংগী মনুংদা মাংজিল থাবা অমা ওইরি।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা জম্মু কাস্মীরদা মালেমগী যোগা নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**